*Prepared by*

**Dr. A. Tarajit Singh**
**SMS-Agril. Extension**

*Publilshed by*

**Krishi Vigyan Kendra**
**Bishnupur district, Manipur-795134**

*Designed & Printed at:*

S.K. PRINTERS WORKS,
NAMBOL, MANIPUR

# উচি অমশুং মসিগীদ্মক পায়খৎপীগদবা থবক থৌরমশিং



ICAR

*Published by*

**Krishi Vigyan Kendra**
**Bishnupur district, Manipur-795134**

*Website:* www.kvkbishnupur.com *Email:* kvkbishnupurdistrict@gmail.com

**Year of Publication: 2024** **Leaflet No.: 2402**

মালেমদা মীওইবনা খুন্দা লৈতাদুনা লৈবা মফম অয়াম্বা উচি অসি লৈ। Antartica গুম্বা য়াম্না ঈংবা মফমদা উচিনা লৈবা লৈবা ঙমদবা মফম খরা নত্তনা উচি অসি পাক শন্না শদ্রোক্তুনা লৈ জীবা মখল অসিনা মীওইবদা খুদোংচাদবা কয়া অমা থোকহনবনা মরম ওইদুনা মীওইবনা মহাকপু পামদে। উচিনা মীওইবনা চাগদবা চিঞ্জাক কয়া অমা মাংহনবগা লোয়ননা মীওইবনা শীজিন্নগদবা পোৎলমশিং চিকথৎতুনা মাংহনবা অমদি মীওইবদা তোঙান তোঙানবা লায়না কয়া অমা শদ্রোকই। অতোপ্পা জীবশিংগা উচিগা মান্নদবা থৌওং অমা হায়বা তারবদি মহাক্কী য়ামাঙগী ময়াশিং অসি লেপ্তনা শাংদোকপা অসিনি। উচিগী য়ামাঙগী ময়া অসি নোংমদা চাংচত্তা মিলি ০.৪ গী চাংদা শাংদোকই। থায়বদি থা অনীগুম্বগী মনুংদা ইঞ্চি অমগুম্বা শাংদোকই। মরম অদুনা অসুম্না শাদ্রোক্কদবা ময়াশিং অসি তুমশিনহন্নবা লেপ্তনা চিক্কবা য়াদে। উচি অমনা চহি অমদা মরু মরাং কেজি ২০ মুক চাবগা লোয়ননা অতোপ্পা ১০০ মুক মথী-ময়ুং অমদি মতুগুম্বনা মোৎশিন্দুনা মাংহল্লি। উচি অমনা চহি অমদা মথী মরম্ম-মরম্ম ১০,০০০ মুক অদুগা ময়ুং লিটর ৪গুম্বা পুথোক্তুনা চিঞ্জাক্তা মোৎশিহল্লি। উচি অমনা মশাগী অরম্বগী চাদা ৮.৫ গী চাংগী চিঞ্জাক নোংমদা চাবগা লোয়ননা কৈ অমদা লৈরিবা অপুনবা চিঞ্জাক্কী চাদা ২.৫ গী চাংদা মাংহল্লি। Central Food Technological Research Institute, Mysore গী ৱারোন মতুং ইন্না উচি ৬না মী অমগী চিঞ্জাক চাবা ঙমই অদুনা উচি ৩০০ না চহি অমদা চিঞ্জাক কেজি ১০০০ চাবা ঙমই।

উচি মপি অমনা চহী অমদা চাগোক ৬ কুম্বা কোকপা ঙম্বগা লোয়ননা চাগোক অমদা চাদা ৫-১০ ফাওবা কোকই। উচি মপী লাবা-অমোম অনীনা চহি অমদা উচি মচা ১২৫০ গুম্বা পুথোকপা ঙমই। উচি অমনা চায়াল ৪-৫ শুবদা মপি ফাদুনা অনৌবা মচা পুথোকপা ঙম্লকই। মচিঞ্জাক অমশুং মনিং তম্না লৈনবা মফম ফংলবদি উচি জুরা অমনা চহী অমগী মনুংদা উচি য়াম্না পুথোকপা ঙমই। খংবা য়াবা অমনা উচি অসি করিগুম্বা ঈকং নৎত্রগা ঈচাও নৎত্রগা মচিঞ্জাক ফংদবগী অৱাবা ময়োক্নৱবা মতুংদদি উচি লাবা অমনা অমোম অনী অনী লোয়নবগা লোয়ননা অমোমশিং অদুগী নাওরোল খুজিলহন্দুনা অতেনবা মতমগী মনুংদা মশীং য়াম্না মচা পুথোকপা ঙমই।

য়ুমদা উচিদগী ঙাকথোক্নবা পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং।

১। য়ুম অদুদা ফাওজিল্লকপা য়াবা মখুলশিং/অহোবা লৈহল্লোইদবনি।

২। থোঙনাও/ ভেন্টিলেটরগুম্বশু মিলিমিটর ৮x৮ কী জালি হাপ্পীগদবনি।

৩। য়ুমগী অকোয়দা চোৎ চোৎ লাওবা মফমশিং লৈহল্লোইদবনি।

৪। অমোৎ অকায়, পথ-পুমথহন্নবা থমলিবা পোৎলমশিং ইনচি ২দগী হেন্না থলহল্লোইদবনি। লোয়ননা দম্ববিনগুম্বদু মখুম খুমদুনা থম্মীগদবনি।

৫। য়ুমগী অকোয়দবা শীং অমদি উৱা পৈবিরবদি য়ুমদগী য়ামদ্রবদা ফুট ২০ লাপহনবীগবদনি।

৬। য়ুমগী অকোয়বদা শীং অমদি উৱা পৈবিরবদি য়ুমদগী ফুট ২ লাপ্পা থাবীগদবনি অদুগা উনা-ৱানাশিং য়ুমদা হাইথবনশিংবা লৈরবদি য়ুমদগী ফুট ৩ লাপথোকহনবিগনি।

৭। ইমুংদা চানা-থক্নবা পোৎলমশিং থম্মীবা মতমদা মখুল খুম্না পাত্রদা হাপ্পীগদবনি। থক্নবা ঈশিং মখুম খুমদনা অমদি থকপদগী অরেম্বা ঈশিং থম্মীরোইদবনি।

৮। উচিগী মহৌশাগী য়েক্নবশিং মরম চাদনা মাঙহনবীরোইদবনি।

৯। য়ুমদা পুশিনবা তারাশিং অদু চৎপা চনবা মখুল খক ফাৎকদবনি।

১০। উচি ফানাবা লাং থাকপীরবদি উচি অমা থুখ্রবা মতুংদা লাং অদু নিংথিনা চামথোককপীরগা অমুক থাকপীগদবনি।

১১। উচি হাৎনবা হীদাক থাকপীবা তারবদি য়ামদ্রবদা নুমিৎ হুমনিদি উচি হীদাক য়াওহন্দনা মচিঞ্জাক অদু পীজগনি অদুগা মরিনি নত্রগা মঙানি শুবদা উচি হীদাক হাপ্পীগদবনি।

১২। উচি হীদাক অমদি উচি লাং থাকপীবা মতমদা লৈমাইদা করিগুম্বা মতমদা থাবীরোইদবনি। উচিনা চৎপা মতমদা ফক্লাং নক্না চৎপগী হৈনবী লৈবনা ফক্লাং নক্না থাবীগনি।

১৩। করিগুম্বা লৌবুক্তা উচি হীদাক থাবীবা তারাবদি লৌরী মথক্তা উচি হীদাক নত্রগা লাং থাকপীবগী মহুত্তা লৌরি পরেংদা থাকপীগনি।

১৪। উচিগী হাৎনবা মচিঞ্জাক শেম্বা মতমদা চেং, হ্বাইগী শরক্কা চাদা ৯৮ ওইরগা থাওনা শরক ২ ওইহন্দুনা শেম্লগা নুমিৎ হুমনিগুম্বা পীজরবা মতুং মরিনিশুবদা চেং, হ্বাইনা চাদা ৯৬ ওইরগা উচি হীদাক্কা শরক্ক ২ ওইহনবগা লোইননা থাওনা শরক ২ ওইহনবা হু য়াওবা হদাক পীজদুনা উচি হাৎনবা হোৎনবীগদবনি।

১৫। উচি হাৎনবগীদমক শীজিন্নবা য়াবা হীদাক ২খক পনবা তারাবদি Zinc Phosphide নত্রগা Bromadiolone 0.005% পনবা য়াই।

১৬। অশুম্না ঐখোয়দগী য়েক্নবগী হৈনবী খংনা লাল্লোং য়াৎল বদি য়েক্নববু ঐখোয়না লায়না খুদুম চনবা ঙমগনি।